# এ আই এফ এফনা মণিপুরগী রতনবালাদা ইমর্জিং ফুটবোল্লর অদুগা রেফরিগী মনানা অজিৎ কুমারদা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চহী খুদিংগী ওইনা পীবা নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় খক্তা নত্তনা ওফিসলশিংদা পীবা মনাদা কুমজা ২০১৯-২০২০ গী ওইনা মণিপুরগী নোংমাইথেম রতনবালাদা ইমর্জিং ফুটবোল্লরগী মনা পীখ্রে। অদুগা খ্বাইদগী ফজবা রেফরিগী মনানা মণিপুরগী লাইরেনলাকপম অজিৎ কুমার মীতৈদা পীখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না চহীগী ওইবা ফুটবোলগী লমদা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংগী মনা অদু ইন্দিয়ন সুপর লীগ অমসুং আই লীগকী কোচশিংগী মায়কৈদগী পীরকপা ভোট মশিং অদু য়েংলগা পীবনি।

কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী মনা অদু হৌজিক হৌজিক টামিল নাদুগী ছেথু এফ সীদা শান্নরিবী মণিপুরগী নোংমাইথেম রতনবালাদা পীখি। রতনবালা ইন্দিয়াগী নেসনল ৱিমেন্স ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারিবী শান্নরোয় অমনি। রতনবালা মহাক্কী করিয়রদা কুমজা ২০১৭দা ইন্দিয়াগী নেসনল ৱিমেন্স ফুটবোল টিমগীদমক খনখিবনি।

চহী অদুমক্তদা মহাক্কা হোং কোংগা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেচ অমদা অহানবা ইন্টরনেসনল গোল চনখি। মখা তারকপা চহীশিংদসু রতনবালানা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচশিংদসু পাঞ্জল কয়ামরুম চন্দুনা ইন্দিয়াগী মরুওইবা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইদুনা লাকখি। মহাক কুমজা ২০১৭-১৮দা মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ক্রিপসাদা শান্নরম্বদগী কুমজা ২০১৯ দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা টামিল নাদুগী ছেথু এফ সীদা শান্নরি।

এ আই এফ এফনা কুমজা ২০১৯-২০গী খ্বাইদগী ফজবা রেফরিগী মনা অদু মণিপুর মচা লাইরেনলাকপম অজিৎ কুমার মীতৈদা পীখি। অজিৎকুমার ইন্দিয়াগী ওইনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা রেফরি অমা ওইরিবনি। কুমজা ২০১৭-১৮তগী হৌরগা আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমসুং ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ওফিসিয়ট তৌবা ঙমখ্রবা রেফরি অমনি। মহাক্না কুমজা ২০১৭-১৮গী আই লীগকী মেচ অমা ওফিসিয়ট তৌবা ঙমখি। থংনবা সিজনদা মেচ অহুম অদুগা ২০১৯-২০ দা মেচ অনী ওফিসিয়ট তৌবা ঙমখি।

অজিৎকুমারগী আই লীগ করিয়রদা পুন্না মেচ ৬ ওফিসিয়ট তৌবদা য়েল্লো কার্দ ২২ পীবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা কুমজা ২০১৭ দগী ২০১৯ ফাওবগী মনুংদা পুন্না মেচ ৫ ওফিসিয়ট তৌবদা য়েল্লো কার্দ ১২ অমসুং রেদ কার্দ ১ পীদুনা ফুটবোল মেচশিং অদু কাঙলোন চুম্না পাঙথোক্লনবা থৌদাং লৌখি।

এ আই এফ এফনা পীবা কুমজা ২০১৯-২০ এৱার্দ অসিগী মনুং চন্না খ্বাইদগী ফজবা নুপাগী ফুটবোল্লরগী মনা অদু গোল কিপ্পর ওইরিবা গুপ্রিট সিংহ সানুদা পীখি। লোয়ননা নুপীগী খ্বাইদগী ফজবা ফুটবোল শান্নরোয়গী মনা অদুনা সঞ্জু যাদবতা পীখি। নুপাগী ইমর্জিং ফুটবোল্লর এৱার্দ অদুনা অনিরুট থাপানা ফংখি। লোয়ননা এসিস্টেন্ট রেফরিগী মনানা টামিল নাদুগী পি ভাইরামুথুনা ফংখি। অদুগা গ্রাসরুট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী ওইনা (ঈ-লাইসেন্স কোর্সশিং অমদি গোল্ডন বেবি লীগশিংদা বেজ তৌদুনা) ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটতা পীখি।





# দিল্লি কেপিটেলসনা সী এস কেবু রন ৪৪দা থোইখ্রে

দুবাই, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি দুবাইগী ইন্টরনেসনল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৭শুবা লীগ মেচা দিল্লি কেপিটেলসনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৪৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদু টোচ চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা বোল হান্না লংখি। মদুদা দিল্লি কেপিটেলসকী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭৫ লৌখি। দিল্লি কেপিটেলসকী ওপনর পৃথিবী সোনা বোল ৪৩দা রন ৬৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

অতোপ্পা বেটচমেন সিখর ধৱন, রিসব পন্ট অমসুং কেপ্টেন শ্রিয়াস আইয়রনা মথংশিংনা রন ৩৫, ৩৭ অমসুং ২৬ লৌদুনা স্কোর অদু য়ৌহনবা ঙমখিবনি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী বোলর পিয়ুস চাওলানা ৱিকেট অনী অমসুং সাম কুরননা ৱিকেট অমা লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী বোলরশিংগী মনুংদা ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

মেচ অদু মায় পাক্নবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১৭৬ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৭ আউট ওইরগা শুপ্প গী রন ১৩১ খক লৌখিবা মরম্না মেচ অদু মখোয় রন ৪৪ দা মায়থীবা নংখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী ওপনর অনী মুরালি বিজয় অমসুং সেন ৱেটসন মথংশিং রন ১০ অমসুং ১৪ খক লৌখি। মখোয়গী অশোনবা পর্ফোমেন্স অদুনা মখা তারকপা বেটচমেনশিংদসু প্রেসর পীদুনা ফজবা ৱিকেট পার্টনর্শিপ অমত্তা শেম্বা ঙমখিদে।

টিম অদুগী অহুমশুবা বেটচমেন ফাপ দু প্লেসিসনা বোল ৩৫দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী কেপ্টেন এম এস ধোনি বোল ১২দা রন ১৫ খক লৌখি। লোয়ননা ৫শুবা বেটচমেন কেদর যাদব রন ২৬ লৌরমখি। অদুগা রবিন্দ্র জাদেজানা শুপ্পগী রন ১২ লৌখিদুনা রন ৪৪ দা মায়থীখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচতা সনরাইজর্স হায়দরবাদ অমসুং কোলকাটা নাইট রাইদর্স শান্নগনি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয় ৮ মখা তানা ট্রান্সফরগী চে থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৫ (ঐচএনএস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মরক্তগী শান্নরোয়শিং ট্রান্সফর তৌবগী চথরিবা মতমদা ঙসি পুন্না শান্নরোয় ৮গী চে থাগৎলকখ্রে।

নেরোকা এফ সীদা শরুক য়াননবা এ আই এম ফুটবোল ক্লবকী এন জেমস অমসুং এল গোবিনগী চে পীশিল্লকখি। লোয়ননা ক্লব অসিমক্তদা য়াওননবা চে পীশিল্লকখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি আর এ য়ুগী এম সুসিল অমসুং টি ঐচ নাওচানি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা কে এস দি সীদা ট্রান্সফর তৌননবগীদমক্তা চে থাজিল্লকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বি এস য়ু ফুটবোল ক্লবতগী এম দি ইজাজ, এন ঈ এস য়ুদগী এম দি রোহিট আলি, ৱাই ও এস সীদগী এম দি রাজ সাহ অমসুং পি ৱাই এদগী লিওং সমথংনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা ঙসি ফাওবদা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লবতগী ট্রান্সফর তৌনবগীদমক থাগৎলকখিবা শান্নরোয় মশিং ৪০ শুখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল ক্লবকী ওইনা ঙসি শান্নরোয় অনী ট্রান্সফর তৌবগী চে পীশিল্লকখি। ৱাই এ সী ক্লবকী শান্নরোয় নোংমাইথেম সুবচন্দ্র অমসুং অলভান কামৈনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা ক্লব ওইরিবা এস সী কেদা য়াওনবা চে থাগৎলকপনি।

## হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি



**বিগ্যান ৱাহেংবম, কোংপাল চনম লৈকায়**

মায়কৈ খুদিংমক কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎকী পাউখক্তনা পাকশন্না তাবা ফংলি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মীওইবগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীবগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি কয়া খাঙুথক্তা থৱায় মাংখ্রে। অদুবু অসিগুম্বা থৌদোক অসি মালেম অসিদা মীওইবা খুন্নাইনা হিংবা হৌরকপদগী কয়ারক থোকখ্রে। লায়না লাইচৎ অসি ঙসি সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি চাওখৎলকপা অমদি মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা মমাংগা য়েংনরুবদা ফগৎলকপা মরমনা মীওই কয়াগী থৱায়দি কনবা ঙম্লি। অদুমকপু ফনা য়াম্না চাওখৎলে হায়রবসু লায়না লাইচৎ অসিগী হীদাক ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রি। ৱাবদি পূম্নমক খম থেংনা ৱানরে। অৱাবসি উরগা লৈঙাক্না লোকদাউন মপুং ফানা কোমথোক্লে হায়বা য়াই। অদুবু লৈবাক মীয়াম্না লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদি লেপ্পা য়াখিরোই। মরমদি লাইচৎ অসি কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক্তা য়ৌরক্তুনা নোংমগী ১০০ হেন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লি। ৱারবসু ৱানা পূম্নমক্না খাঙমিন্নবা মথৌ তারি। অৱাবা অহিংগী মতম শোয়দনা লোয়খিগনি। শুপ্পগী অৱাবগী মতম অসিদা ঐখোয় পুন্না চেকশিনমিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা লেপমিন্নসি।



**অরাম্বম রবিন্দ্র, লাংথবাল মন্ত্রিখোং অৱাং লৈকায়**

স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি অদুবু মায় পাক্কনি হায়বদি থাজদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মমাংদসু মোদেল স্কুল খরা লিংখৎকনি, য়াম্না মাল্লম্মী ঙসিদি মানবখক্তমক ঙাইরে। স্কুল ফগৎহনসি মিসন অসি মায় পাকহনগে হায়রবদি চীফ মিনিষ্টরদগী হৌরগা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয় খুদিংমক্কী মচা-মশুশিং গভর্ণমেন্ট স্কুলদা তমহনবা মথৌ তাই। স্কুলগী ৱাৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মপুং ফানা পীবিবা মথৌ তাই। নিয়ম চুম্না ওজা ট্রান্সফর তৌবা, চিং-তম খাইদনা মান্নবা মীৎয়েং য়েংবা, মথৌ ফজনা তৌদবা ওজাশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবা, পোলিটিকেল ইথিল চংহন্দবা, এদ্যুকেসনদা অয়েৎ-অপন অকায়বা লৈতনবা গভর্ণমেন্ট অমদি লুপশিংনা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। লোয়ননা এদ্যুকেসন সেক্টরদা থবক তৌরিবা, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমদি মিনিষ্টরশিংনা পুকচেল শেংনা থবক তৌরবা মতমদতা অফবা এদ্যুকেসনগী মঙাল অমা লাকপা ঙমগনি। মদু নৎত্রবদি মীওই খরনা লাউবা অমদি হোৎনবনা অৱাবা ওইগনি। ঙসিসু থা তরুক শুজিল্লক্লবা ফাওবদা অঙাংশিংনা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অখন্নবা থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎলকপা উদ্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# জর্মনিগী হেমবর্গ এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসতা গ্রিসকী সীসীপাস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

হেমবর্গ, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

জর্মনিগী হেমবর্গতা পাঙথোকপা হেমবর্গ য়ুরোপিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা নহা ওইরিবা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোজ সীসীপাস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী ৱার্ম অপ টুর্নামেন্ট অমনি। গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোজ সীসীপাসনা উরুগ্বেগী শান্নরোয় পাব্লো কিবাসপু অকনবা লম্বাদা শান্নরবসু সেট ২-০দা থোইখি।

অহানবা সেট অদু শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী অমনা অমগী সর্ভিস গেমশিং অদু ব্রেক তৌবা ঙম্মখিদবদগী ১০শুবা গেম লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৫-৫দা মান্নদুনা লৈখি। গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোজ সীসীপাসনা অহানবা সেট অদুগী ১১শুবা অমসুং ১২শুবা গেম অদু থোইদুনা পাব্লো কিবাসপু মহাক্না সেট ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা সেটতা উরুগ্বেগী শান্নরোয় পাব্লো কিবাসকী মায়কৈদগী টুর্নামেন্ট অদুদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা অহানবা সেট মায়থীরবসু অনীশুবা সেটতা ফুগৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি।

অনীশুবা সেট অদুগী লম্বাদা মমাঙদা সেটতা মায় পাকপা ঙমখ্রবা গ্রিসকী শান্নরোয় সীসীপাসনা পাব্লো কিবাসকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা খুদোংচাবা হেনখি। কিবাসকী মায়কৈদগী শোথখিবা গেম অদু ফুগৎপা ঙমদনা সীসীপাসনা সেট অদু ৬-৪দা থোইরগা হেমবর্গ ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি, গ্রিসকী ষ্টিফানোজ সী সী পাস অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসনা মমাঙদা শান্নখিবা মেচ অনী সীসীপাসনা থোইখিবনি। ঙরাং অথেংবদগী মেচ অদুসু সীসীপাসনা থোইদুনা শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা মেচ ৩-০দা সীসীপাসনা মাঙজিল থারগা লৈরি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা সীসীপাসনা রসিয়াগী কারেন খাসিনোবপু ৬-১, ৬-২দা থোইরম্বা সর্বিয়াগী শান্নরোয় দুসান লাজোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।



# য়ু ঈ এফ এ সুপর কপকী টাইটল সিবিলাবু ২-১দা থোইরগা বেয়র্ন ম্যুনিক্না লৌখ্রে

বুদাপেষ্ট, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং অনীশুবা থাক্তা লৈবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন স্পেনগী সিবিলা ফুটবোল ক্লবকা ঙরাং অথেংবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মরক্তা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না তীনখিবা ভাবোক্কী মমাঙদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না সিবিলাবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা য়ু ঈ এফ এ সুপর কপকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা য়ু ঈ এফ এ সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদু য়ুরোপকী ফুটবোল এসোসিএসন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা চাংয়েং ওইনা ভাবোক লিশিং ৬৮ চনবা হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টতা লৈবা পুস্কাস এরেনাদা ভাবোক লিশিং ২০ মীৎয়েং তাবা য়াহন্দুনা মখা তাবা টুর্নামেন্টশিংদা ভাবোক য়েংহনবা য়াবগী তাঞ্জা লৌখি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী হৌরকপদা স্পেনগী ক্লব সিবিলাগী মায়কৈদগী এটেক চথুবা হেনখি। মদুগী খুদোংচাবা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ফংখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী বোল অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্কী পেনাল্টি এরিয়াদা লান্না মুন্নবা হোৎনরুবদা পেনাল্টি অমা ফংখি। তাঞ্জা অদু সিবিলাগী এল ওকাপোসনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিকপু ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেচগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১১ ৱাৎলিঙৈদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট গোরেস্কানা ইক্কেলাইজর অদু ৩৪শুবা মিনটতা চনখি। মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদে। অনীশুবা হাফতসু লিৱান্দোস্কিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখ্রবা মতুং এক্সত্রা টাইমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী জে মার্টিনেজনা চনখিবা পাঞ্জলনা মেচ অদু ২-১দা থোইরগা বেয়র্ন ম্যুনিক্না ২০১৯-২০ সিজনগী টাইটল মরি লৌবা ঙমখি।





# লিবরপুলনা লিনকন সিটিবু পাঞ্জল ৭-২দা থোইখ্রে, টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা রাউন্দ শান্নগদবা ক্লবশিংগী মশক খঙবা লোইখ্রে



লন্দন, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা করাবাউ কপ হায়না মিংথোনবা অদুগা মীয়াম্না লীগ কপ হায়নসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লৈবাক অদুদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন লিবরপুল এফ সীনা লিনকন সিটিবু পাঞ্জল ৭-২দা থোইখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দদা থেংনগদবা টিমশিংগী মশক খঙবা লোইখ্রে।

ঙরাং লিনকন সিটি ফুটবোল ক্লবনা য়ুম্ব ওইরগা সিনসিন বেঙ্ক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা লিবরপুলনা অহানবা হাফ অদু য়াম্না কোম্না খুদুম চনবা ঙমখি। হাফ অদুদা লিবরপুলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল মরি চনখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা সাকিরি জর্দারনা চনখি। মদুগী মতুং ১৮শুবা মিনটতা মিনামিনো টাকুমিনা লিবরপুলগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ৩২শুবা মিনটতা লিবরপুলগী শান্নরোয় দিবোক ওরিগিনা পীরকপা বোল অমদা জোন্স কর্টিসনা টিম অহুমগী পাঞ্জল চনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৯দা ঙাইরবা মতমদা জোন্স কর্টিসনা মহাক্কী টিমমেট হার্বি ইলিওটনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল ০-৪দা শোথরবা লিনকন সিটিগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফ অদুদা পাঞ্জল হন্দোক্লবগী ৱাখল্লোন দা শান্নবা হৌরকখিবনি। অদুবু হাফ অদুগী মিনট ১ চঙশিল্লকপদা লিবরপুলগী মায়কৈদগী মিনামিনো টাকুমিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা টিম অদুগী অপূনবা পাঞ্জল ৫ শুখি।

মিনট ১৪ লৈরগা লিনকন সিটিগী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা কোনোরনা পীরকপা বোলদা টাইও ইদুননা টিম অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুবু শুপ্পগী মিনট ৫গী মনুংদা লিবরপুলগী মার্কো গ্রজিকনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৬-১দা লৈখি।

লিনকন সিটিগী মায়কৈদগী ৬৭শুবা মিনটতা লেৱিস মোন্সামানা টিমমেট জোর্গে গ্রাটনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু মখা তানা কান্নবা ফংখিদে। শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা লিবরপুলগী মিনামিনোনা সপ্লায় তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট দিবোক ওরিগিনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না লিনকন সিটিবু ৭-২দা থোইরগা মরিশুবা রাউন্দদা অর্সনেলগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এ এফ সী বোর্নমাউটপু পাঞ্জল ২-১দা থোইখি। মেচ অদু লম্বা মান্ননা শান্নরম্বদগী ১৮শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী ফিল ফোদেননা ইন্থোরকপা বোল অমদা লিয়াম দেলেফনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

বোর্নমাউটকী ইক্কেলাইজর অদু শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা সাম ষ্টুরিজনা চনখি। টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী মখা তাবা অহানবা হাফতা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী মেঞ্চেষ্টর সিটিনা কন্না হোৎরকপদগী ২-১দা মাঙজিল থাখিবা খুদোংচাবা অদু মেচ অদুগী অপীবা মতম ফাওবা লৈদুনা মায় পাকখি।

# ফ্রেঞ্চ ওপনদা নোংমদা ভাবোক লিশিং ১ মীৎয়েং তাহনগদৌরি

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দস্লাম টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নোংমদা ভাবোক লিশিং ১ মীৎয়েং তাবা য়াহনগদৌরি।

ভাবোক মশিং অসি পেরিস সিটিদা হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী হেনগৎলক্লিবা চৈথেং অদু য়েংলগা মমাঙদা লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর জোন কাষ্টেজনা নোংমদা ভাবোক লিশিং ৫ ফ্রেঞ্চ ওপনগী মেচশিং মীৎয়েং তাবা য়াহনগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুদগী হন্থরকপনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী দিরেক্টর ওইরিবা মমাঙদসু শান্নরোয় ওইরম্লবা গাই ফোর্গেনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অদুগী লৈঙাক্না ভাবোক মশিং নোংমদা লিশিং ১ খক মীৎয়েং তাবা য়াহনগনি হায়রকপসি অচৌবা চৈথেং অমা ওইগদৌরি।

ফ্রান্সকী মরুওইবা সিটিশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি হেনগৎলকপা মরম্না থা অমগী মমাঙদা ভাবোক মশিং নোংমদা ১১,৫০০ মীৎয়েং তাবা য়াহনগনি হায়বগী ৱারোল লৈরম্লবা মতুং টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদবা নুমীৎ নীনি খক্তং ঙাইরবা মতম অসিদা নোংমদা ভাবোক লিশিং ১ খক মীৎয়েং তাবা য়াহনগনি হায়বসি অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়খি।

# ‘ইন্টরনেসনল কনফরেন্সনা কোচশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি’

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৫ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না থা অসিগী ২৮দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা নুমীৎ হুম্নীগী ওইবা কোচশিংগী ‘ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কনফরেন্স’ অমা শীল্লিবা অসিনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা কোচশিংগী মায়কৈদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়না ফেদরেসনগী টেক্নিকেল দিরেক্টর ইজাক দোরুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কনফরেন্স অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোলগী থাক্তা খুম্মাং চাউশিল্লবা লৈবাকশিংদা চৎনরিবা কোচিংগী কাঙলোনশিং অদু ইন্দিয়াদসু মপুং ফানা খঙহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অসি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী কোচিং কনভেন্সনগী এপ্রুব পীবা ঙম্লবা ফেদরেসন অমা ওইরবনিনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল মশান্নাগী লাক্কদৌরিবা কোচশিংগী ইন্টরনেসনল ভর্চ্যুএল কনফরেন্স অসিনা হান্না মখোয়দা লৈরম্বা টেক্নিকেলগী ওইবা থাক অদু মখা তানা খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লগনি হায়না ইজাকনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা মালেমগী মমিং লৈরবা কোচ অমদি স্পোর্টস সাইকোলোজিগী মতাংদা এক্সপর্টশিংনা ৱা ঙাংগদৌরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৯।২০২০ ইং, থাংজা; মেরাগী ১০ নি পানবা।

**মেষ:** নচা-ননাইগী ফংবা, মরুপ্পা তেংবাংবীবা, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা, মীয়াম্না য়াবা অমদি নরল চাওখৎপা নুমিৎনি। হুনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ:** হেন্না অশা চাওবনা নথক থোংবগা ৱাখল মান্নদবা ওইনা থোক্কনি। ইমুং মনুং ৱাখল তাম্নিননবা হোইনবা অমদি মরম চাদনা ইচং থৌদবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি অদুনা থৌয়াম পুদবা ফগনি। য়েৎনবা অমদি অফা অপুন্নবা খরা লৈগনি-অঙম্বগী য়াকা য়েংনা চৎলু। নরলদি চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনবনা মাংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, ললোন-ইতিক্তা চাওনা খুদোংচাবা লৈগনি অমদি থাজদবা মরমদগী কান্নবা ফংউ হাইবসু লৈ অমদি পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ:** ৱাখল থোকপা অমদি লাইবকসু ফবা নুমিৎ ওইবনা অরুবা থবক পাংহৌবা কান্নগনি। অদুবু ঙক কল্লবা অমদি ঈরাং তৌরবদি কাইনবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কন্যা:** চিন শোইরগা শেলদা তাইনবা, হোয়া ফরগা মতম মাংবা অমদি ফংবা য়াবসু খরা পনবা নুমিৎনি। খাংবা কনবা, অখং অহৈগী ৱা তাবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**তুলা:** অঙম্বনা চৈবীবা য়াবা লৈ অমদি পোরম শোইবনা অরং অরাক মাংবা য়াবসু লৈ। হন্থবা লোইনদবা অমদি য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওদবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক:** লৌশিং চাওখৎপা, ললোন ইতিক কান্নবা অমদি মীয়ামগী মতেংনা মীংচৎ ফংবা য়াবা নুমিৎনি।ইমুং মনুংদদি মহু চাওবনা তাথিবা লৈগনি, মীৱা লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু:** অঙম্বনা চানবী, লৈঙাক্কী লমদা নিংহন্নদনা মাংলোমদা চংশিনবা য়াগনি অমদি মীনা লাকচবসু ঙমলোই। ফিংলবদি নচা-ননাই কাইননি অমদি নুংশা থিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর:** হরাওবা নুংঙাইবা, নিংবা থুংবা অমদি ললোন-ইতিক্ত শেন্দেথং য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। খুরৌথাংবা খরদি লৈগনি অদুনা খাংবা কনবা মথৌ তাই।
লৈশা পাখংশিংগী - হাইজবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা:** লেংদবা লন ফংগনি, নহৈ অমদি লৌশিং তানবগী লমদা মাই পাক্কনি অমদি অচুম্বনা মাংওইনবা থবক্তা মাই পাক্কনি। মরুপ মপাংগদি ৱাখল তান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন:** শেল ফংগনি, অনৌবা থবক পাংবা অমদি মীচং খোম্বগী থবক্তা মাই পাক্কনি।থাজদবা মরমদগী কান্নবা অমদি নুংঙাইবা ফংগনি। নাপলদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com